# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দল মীফমা নুপী অঙাংশিংগী মথক্তা চথুবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা লুপশিং আইন্না য়াদবা লুপনি হায়না লাউথোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

২) খুৎলায় পায়বশিংনা জিরিবামদগী ফাখিবা নুপী ৬ কী মনুংদা মীওই অহুমগী ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা অশিবা হকচাং বরাক সার্কলদগী ফংলে হায়রি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বোরো পিছ একোর্দনা বোরো জাতিশিং খক্তা কান্নবা ফংহনবতা নত্তনা অতৈ শান্তিগী চুক্তিগী লম্বী কয়ামরুম হাংদোক্লে।

------

কেবিনেট (এল): রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী খুদক্কী ওইবা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ তাবা মতমদা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা নুপী অঙাংদা চথুবা হিংশা, রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মীফম অদুনা নুপী অঙাংশিংগী মথক্তা চথুবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবা লুপশিং আইন্না য়াদবা লুপনি হায়না লাউথোকবা ৱারেপ লৌখি।

জিরি (এল)ঃ থা অসিগী ১১ দা জিরিবাম জিলাগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনদগী খুৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা অঙাং অহুম য়াওনা নুপী ৬ কী মনুংদা মীওই অহুমগী হকচাং ওইরম্বা য়াই হায়বা অশিবা হকচাং বরাক সার্কলদগী ফংলে হায়রি। হকচাংশিং অদু পোষ্ট মোর্তেমগীদমক সিলচর মেদিকেল কলেজদা থমখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- জিরি য়ুনাইতেদ কমিতিনা কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইকনা জিলা অসিগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

পুলিস(এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা লেপ্পা লৈতনা থি হুন্নবগী থবক চখুরি। নেসনেল হাইৱেশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা চংবা পোৎলমশিং পুশিল্লকখি। নেসনেল হাইৱে টুদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৬ পুশিল্লকখ্রে। চ্যেক পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চখুরি।

মণিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী দামপি রিজার্ভ ফোরেষ্টতা থি হুন্নবগী থবক চখবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, কন্ট্রিমেদ পিষ্টোল অনি, পম্পি অনি, নোংমৈ মরুশিং, তিয়ারগ্যাস গ্রেনেদ, স্মোক গ্রেনেদ, টু ইঞ্চ মোর্তার বোম অমা, গ্রেদ টু এক্সপ্লোসিভ তরা, দিতোনেতর ২০ ফাগৎপা ঙমলে।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ফ্রন্তেল ওর্গনাইজেসনশিংনা নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা কৌরকপাা বন্দ হন্দোকখ্রে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী এ. হেখিনিনা হায়- রাজ্য সরকারগী মাইকৈদগী লমদম অদুগী এম.এল.এ অনি, লোসি দিখো অমসুং কুমোসাগা জিলা অদুগী সি.এস.ওশিংগা ঙরাং পুং ২ হেন্না ৱারী শান্নরবা মতুং খোঙজং হন্দে

দাকবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি। ঙরাং দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা পাঙথোকপা মীফম অদুদা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন্স এসোসিয়েসন অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগা এম.এল.এশিংগা ৱাফম কয়া খন্নরবা মতুং থা অসিগী ১১ দা মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখিবা দাবীশিং অদুগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকখি। নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা আইন কায়না টেক্স খোম্বা, শেল মুনবা অমদি অতৈ অপনবা পীরকপশিং সরকারনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপা হায়না য়ান্নখি।

রোংমৈ (এল)ঃ চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা থা অসিগী ১৩ দা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা লানজদবা নাগা লৌমীশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অদুবু রোংমৈ চীফ-চেয়ারমেন এসোসিয়েসন্না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

এআর (এল)ঃ তেংনৌপল জিলাগী লোইসি খুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংনা অসাম রাইফলসনা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী খুদোংচাদবা য়েংলগা টেবল লেম্প য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবনি।

অমরোমদা, অঙাংগী নুমিৎকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা জিলা ৫ গী মহৈরোইশিং লিশিং ১,৫০০ রোমদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোক্লি। কুমশি চহিগী হিরমনা চেঞ্জিং নেচর ওফ প্রেস হায়বসিনি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি রাজ্যগী ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্সনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নিত্যাহপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়ামদা

পাঙথোক্কনি। মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ য়েন্থোকপা অমসুং ৱার্কসোপ পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরম ওইগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- বোরো পিছ্ একোর্দনা বোরো জাতিশিং খক্তা কান্নবা ফংহনবতা নত্তনা অতৈ শান্তিগী চুক্তিগী লম্বী কয়ামরুম হাংদোক্লে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অহানবা বোরোলেন্দ মহোৎসব থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- বোরোশিংগা শান্তিগী চুক্তি সহি তৌনখিবা অদুনা নহা লিশিং ১০ হেন্না খুৎলায় অমসুং হিংশা থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা তিল্লরে। মহাকা হায়- বোরোলেন্দ চাওখৎনবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ১,৫০০ গী অখন্নবা পেকেজ পীখ্রে। মসিগী মথক্তা অসাম সরকারনসু চাওখৎ থৌরাংগী অখন্নবা পেকেজ পীখ্রে। বোরোলেন্দদা শিক্ষা, হকশেল অমসুং কলা সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা ইনফ্রষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবা লুপা কোতি ৭০০ হেন্না শিজিন্নখ্রে।

বোরোলেন্দদা হৌজিক উরিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং অদুদা অপেনবা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মফম অদুদা চহি ৫০ হেন্না ঈহিং নাইহিং তান্নবা হিংশা কয়ামরুম থোক্তুনা লাকখিবনি। নক্সলাইটশিংনা বোরো মীয়ামদগী করিগুম্বা খরা তমজদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকবা আপীল তৌখি।

পিএম ঃ নাইজেরিয়া, ব্রাজিল অমসুং গয়ানাগী নুমিৎ তরুকিং খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নিউ দিল্লি থাদোক্লগনি।

লৈবাক অহুমগী অহানবা খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রিনা নাইজেরিয়াদা চৎকনি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা নাইজেরিয়াদা চৎপা অসিনা চহি ১৭ কী মতুংদা অহানবনি। শ্রী মোদিবু নাইজেরিয়াগী রাষ্ট্রপতি বোলা অহামদ তিনুভুনা বার্তন তৌরকপদগী চৎকদবনি। নাইজেরিয়াদগী প্রধান মন্ত্রি ব্রাজিলদা চত্তুনা রিও দি জেনেরিওদা পাঙথোক্কদবা ১৮ শুবা জি-ট্বেন্তি মীফমদা শরুক য়াগনি। থা

অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা প্রধান মন্ত্রি গয়ানাদা চৎকনি। ইং কুমজা ১৯৬৮ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা শ্রী মোদিনা অহানবা ওইরগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পাউচেশিংদা ঙসি ফোংনরিবা পাউশিং খরা পনবা তারবদি, কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা ৬ কী মনুংদগী অঙাং অনি য়াওনা ৩ শিনা ফংলে হায়বসিনা পোকফম, সনালৈবাক অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী বোক্স আইটেম ওইনা অমদি মণিপুর নিউজদসু মচু শংদুনা ফোংলি অমসুং গানফিউ মেলদনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিগী ইরাং অসাম পুলিস মীৎশিং নাশিংখ্রে হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

খুৎলায় লিশিং ৩ রিকোভর তৌবা ঙমলে, লাকখিবা খুৎলায় চাদা ৭০ দি রিকোভর তৌবা ঙমদনা লৈরি হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অফস্পা অমুক হন্না থল্লকপবু মাইকৈ কয়াদগী ৱাহং হংলক্লি হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি অমসুং অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংবা থেংনরে।

মীওই ৬ ফাখিবগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা খুৎ থিংজিনবীনবা কোকোমিনা আপীল তৌবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীওই ৬ ফাজিনখিবগী মায়োক্তা জিরিবামদা রেল্লি চৎখ্রে। মচিঞ্জাক ফংদবনা য়েনশিং শিরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়বসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আই.এনা জিরিবামগী হিংশাগী কেস থিজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর নিউজগীনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা পোৎ য়োনবা থেংনরে, ফাইন থিহনখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা মরিসুবা জনজাতিয়া গৌরব দিবস পাঙথোকখ্রে হায়বসিনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস সেনাপতিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর বেপটিষ্ট কনভেন্সনগী ৯ সুবা য়ুথ ত্রাইনিয়েল কনফরেন্স হৌদোকখিবগী পাউনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুপী অঙাংদা শাথিবা ক্রাইম তৌবা লুপশিং অনলোফুলনি লাউথোক্কদৌরি হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল হাইৱে টুদা চখুরম্বা বোকেদ হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মোর্নিং বেল অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস সেনাপতিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈখিদ্রবা কুকি তেরোরিষ্ট ১০ গী দি.এন.এ সেম্পল লৌবদা ঙাইরিঙৈদা অরানবা ৱাফম কয়া ভাইরেল ওইরক্লে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------